# হায় কোর্ট ওফ মনিপুর, ইম্ফাল

**দব্লিউ পি সি ৪৫৭ ওফ ২০২২**

**লোইতোংবম দেবেন সিংহ অমসুং অতোপ্পা তরা** **পিটিস্নরশিং**

**ভর্রসেস**

**উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা তরুক**

**রেসপোন্দেন্তশিং**

**বি ফো র**

**ওনরেবল মীষ্টর জজটিস অহন্থেম বীমোল সিংহ**

**২৭-০৬-২০২২**

(১) পিটিস্নরশিংগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিল এন ভুপেন্দ্রা মৈতৈ, রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১গী মাইকৈদা লেপ্লিবা কে ঐছ সমরজিত, এ এস জি অমসুং দিমল কুমার হাওবম না মতেং পাংশিন্দুনা রেসপোন্দেন্ত নম্বর ২ দগী ৭ ফাওবগী মাইকৈদা লেপ্লিবা লেনিন হিজম, এ জিনা হায়বদু তারে।

(২) পিটিস্নরশিংগী মহুৎ শিন্না অকক্লনা হায়জরকপা খরদু য়েংলগা অমসুং পিটিস্নরশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিল শিংনা য়ান্নবগী মতুং ইন্না, রেসপোন্দেন্ত শিংগী কাওন্তর এফিডেবিড থাজিল্লকপা ঙাইদনা চথরিবা রিট্ পিটিসন্ অসি মোসন্ ষ্টেজদা ডিস্পোজ্ তৌরে।

(৩) পিটিস্নরশিংনা হায়রিবদি অসিনি মদুদি মনিপুরগী ককচিং দিস্ত্রিক্কী ৱাংঙু গ্রাম্ পঞ্চায়ৎকী মহৌশাদগী উমংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরক্লবা অতোপ্পা মীওইশিংনি হাইবগী স্টেটস পীবীনবগী দাবী তাল্লিবা মীওই ৪৪১ গী মহুৎশিন্না মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংদা রিপ্রজেন্তেসন্ পিশিনখ্রে অমসুং হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু ঙসি ফাওবা ওথোরিটিশিংনা খন্নবিদ্রি ।

(৪) চৈরক অসিদা, মনিপুরগী থৌবাল্ ফোরেষ্ট দিবিজন্গী দিবিজনেল্ ফোরেষ্ট ওফিসারনা তারিখ্ ১৬-০৫-২০২২ দা সো কোজ্ নোটিস্ অমা জারিখি; থোঙাম্ মোন্দুম রিজার্ব ফোরেষ্টকী লম্দগী মখোইবু করিগীদমক্তা তকথোক্লোইদৌবনো হায়বগী মতাংদা মতিক্ চাবা মরমশিং তাকপা দরকার ওইবা চে-চাং শিংগা লোইননা হায়রিবা সো কোজ্ নোটিস্ অদু ফংবা তারিক্তগী নুমিৎ ৭ নি ফাওবদা মখোই মশানা লাক্কুনা নত্রগা মখোইনা নেকপা উকিলশিংনা শন্দোক্না তাক্লনবা সো কোজ্ নোটিস্ অদুনা পিটিস্নরশিংদা অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংদা খঙহল্লকখিবা; হায়রিবা অকক্লবা মতম্গী মনুংদা হায়রিবা সো কোজ্ নোটিস্ অদুগী পাওখুম্ অদু মখোয়না পিরদ্রবদি, মখা তানা খঙহল্লক্পা তৌদনা খুদক্তগী লম্ তক্থোক্লবগী দরকার লৈবা থবক্ অদু হৌরগনি।

(৫) পিটিস্নর্শিংগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলনা অসুন্না থমখি মদুদি মরি লৈনবা এক্ত অমসুং রুলস্কি মখাদা পিবগী মতুং ইন্না মনিপুরগী কক্চিং দিস্ট্রিক্কী ৱাংঙু গ্রাম্ পঞ্চায়ৎকী মহৌশাদগী উমংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরক্লবা অতোপ্পা মীওইশিংনি হাইবগী স্টেটস্ পীবীনবগী দাবী তাল্লদুনা চত্থরিবা কেস অসিদা পিটিস্নরশিং ওইরিবা মীওইশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগা পুন্না মীওই ৪৪১ না রিপ্রজেন্তেসন্ পিশিনখি অমসুং হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা লোইশিন্বিবা তৌদনা, সো কোজ্ নোটিস্ অদুদা হায়বগুম ওথোরিতিশিংনা লম্ তকথোকপগী থবক্ অদু নিয়ম্ নিতি কাইবা মওংদা চত্থবা হৌরকখি ।

(৬) মদুগী মতুং ইন্না, কাওন্সিলনা অসুন্না থম্মী মদুদি মখোয়গী দাবিশিং অদু খন্নদুনা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি, মখোয়না হৌজিক লৈরিবা লমশিং অদুদগী পিটিস্নরশিংবু ওথোরিতিশিংনা তকথোকপদা অথিংবা থম্বা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমা তাবিয়ু। পিটিস্নর্শিংগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলনা অসুন্নসু থম্ই মদুদি হায়রিবা সো কোজ্ নোটিস্ অদুগী পাউখুম্ পিরদুনা অমসুং মখোয়বু তক্থোক্পিখিবা য়াই হায়না চিংনরদুনা, মনিপুরগী কক্চিং দিস্ট্রিক্কী ৱাংঙু গ্রাম পঞ্চায়ৎকী মহৌশাদগী উমংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরক্লবা অতোপ্পা মীওইশিংনি হাইবগী স্টেটস্ পীনবগীদমক্তা ভেরিফিকেসন্গী প্রোসেস্ অদু লোইশিন্বিনবা হায়জবগা লোইননা পিটিস্নর্শিংনা তারিখ্ ১৬-০৬-২০২২ দা রিপ্রজেন্তেসন্ অমা সর্কারগী মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পিশিনখি; অমসুং হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি, মখোয়না হৌজিক্ হৌজিক্ লৈজরিবা লম্দগী পিটিস্নরশিংবু তক্থোক্পগী থবক্ লৌখৎপদা রেস্পোন্দেন্ত শিংদা অথিংবা পীবীয়ু।

(৭) লেনিন্ হিজম্, এ জি লোইন-লোইননা কে ঐছ সমর্জিৎ, এ এস্ জিনা অসুন্না থল্লকই মদুদি পিটিস্নর্শিংনা তারিখ্ ১৬-৬-২০২২ দা পিশিল্লকখিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা থা ২ (অনি) গী মনুংদা স্পিকিং ওর্দর অমা থোক্লগা মদুবু লোইশিন্নবা সরকারগী মরি লৈনবা ওথোরিটি শিংদা থোইনা কাইদবা য়াথং অমা পীরগা চত্থরিবা রিট্ পিটিসন অসি ডিসপোজ্ তৌবা য়াই অমসুং হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা লোইশিনবীদ্রিবা ফাওবদি, লম্ তক্থোকপগী থবক্ অমত্তা পিটিস্নরশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলোই। পিটিস্নরগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলনসু এ জি অমসুং এ এস্ জিনা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়াখি অমসুং রেস্পোন্দেন্তকী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলিশিংনা থল্লকপা অদুগুন্না চত্থরিবা রিট্ পিটিসন্ অসিবু লোইশিন্বীনবা হায়জরকখি।

(৮) পার্টিশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং অসি য়েংলগা, কোর্ট অসিনা অসুন্না থল্লে মদুদি মখাগী য়াথংশিং অসি পিবা মথৌ তাগনি:-

(১) তারিখ্ ১৬-০৬-২০২২ দা পিটিস্নরশিংনা থাজিল্লকখিবা হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা অমসুং মসিগী ওর্দর অসি ফংবা তারিক্তগী থা ২ (অনি) গী মনুংদা স্পিকিং ওর্দর অমা থোক্তুনা মদুবু লোইশিন্নবা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ দগী ৭ ফাওবদা য়াথং পিরে।

(২) হায়রিবা রিপ্রজেন্তেসন্ অদু খন্নদুনা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি, মনিপুরগী কক্চিং দিস্ত্রিক্কী ৱাংঙু গ্রাম্ পঞ্চায়ৎকী মহৌশাদগী উমংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরক্লবা অতোপ্পা মীওইশিংনি হায়বগী স্টেটস্ পীনবগীদমক্তা দাবী তাক্লিবা পিটিস্নরশিং অমসুং অতোপ্পা মখোয়গা মান্নবা মীওইশিং (মীওই ৪৪১) অদুগী মায়োক্তা কোর্ট অসিগী অয়াবা য়াওদনা লম্ তকথোকপগী থবক্ থৌরম্ অমত্তা পায়খৎতনবা রেস্পোন্দেন্তশিংদা য়াথং পীরে।

(৯) মথক্কী য়াথংশিং অসি পিবগা লোইননা, চথরিবা রিট্ পিটিসন্ অসি ডিসপোজ্ তৌরে।